লিলোং হাওরৈবী কোলেজগী অহানবা এল্যুমনাই মীট ২০২১দা শরুক য়াখিবা লিলোং এসেম্ব্লী কনষ্টিট্যুএন্সিগী এম এল এ অন্তাস খান অমসুং মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্বলীগী দেপ্যুটি স্পিকর কে রোবিন্দ্রো

য়ুনিয়ন মিনিষ্ট্রি ওফ কলচর, নোর্থ ইষ্ট জোন কলচরেল সেন্টর অমদি চিলদ্রেন কলচরেল সেন্টর, মণিপুর কৈশামথোং হোদাম লৈরক্কা খুৎশম্নরগা নুমীৎ ১৫নি চথরকপা চিলদ্রেন ঠিএটর ৱার্কশোপ লোইশিনবগী থৌরম

CHILDREN THEATRE WORKSHOP
North East Zone Cultural Centre
লামায় ৪

রোল ওফ ওরেল ট্রেদিসন/লিটরেচর ইন লেংগ্বেজ হায়বা থীমদা মণিপুরগী মেজর ট্রাইবেল লেংগ্বেজ ১৮গী মতাংদা নোংমগী ওইবা ৱার্কশোপ কম ওরিএন্টেসন প্রোগ্রাম অমা মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখিবা

GOVERNMENT OF MANIPUR
লামায় ৪

পোরোম্পাৎ মুতুম লৈকায়দা ময়াই কাবা দ্রগ অমদি য়ুদা লাইচুরবশিংগীদমক দিটোক্সিফিকেসন কেম্প অমা রিইন্টিগ্রেসন দ্রগ এদিক্সন এন্দ অলকোহোলিজম রিহেবিলিটেসন সেন্টরনা হৌদোকপা

ফ্লাইটতা লাকখিবা ষ্টেট ৮গী মীওই ৮২ টেষ্ট তৌবদা ১ কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরে

ইম্ফাল, মার্চ ২০ (ঐচএনএস): মণিপুরগী ৱাংমা তোঙান-তোঙানবা মফমদা পন্দুনা লৈবা মীওই ১,১৫১ রোম ঙসি ইম্ফালগী বির টিকেন্দ্রজিৎ ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতা ফ্লাইট ৮দা পুশিল্লকখ্রে। মদুগী মনুংদা হৌজিক কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেব কল্লিবা ষ্টেট মরুওইনা মহারাষ্ট্র, কেরলা, ছটিসগড়, মধ্য প্রদেশ, গুজরাত, পঞ্জাব, রাজস্থান অমদি হরিয়ানানচিংবা ষ্টেটতগী মীওই ৮২ রোম য়াওরকপদগী ইম্ফাল এয়রপোর্টতা মখোয়শিংদা রেপিট এন্টিজেন টেষ্ট (আর এ টি) টেষ্ট তৌবদা মীওই ১ পোজিটিভ ওইরে হায়না এয়রপোর্টতগী ফংবা পাউ অমনা ফোঙদোরক্লি।

হন্দক নৌনা অমুক ফ্লাইটতা মপানদগী চঙলকপা মীওইশিং আর এ টি টেষ্ট তৌবা হৌখিবদগী ঙসি ফাওবদা পুন্না মীওই ১০৪৭ রোম টেষ্ট তৌখি। মদুগী মনুংদা ঙসি অসি থারগা মীওই ৬ কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা থেংনখি হায়রি।

মরকসিদা ঙসি তোঙান-তোঙানবা ফ্লাইট ৮দা চঙলকখিবা নুপা-নুপী অমদি অঙাং য়াওনা পুন্না মীওই ১১৫১ ইম্ফালদা থুংলখি। অয়ুক পুং ৯.৫০ রোম তাবদা ইন্দিগো ৬ঈ-৪৫৭ ফ্লাইট অসিনা গুৱাহাতিদা পল্লন্বা মীওই ১৩৯ পুদুনা ইম্ফাল এয়রপোর্টতা থুংলখি। অয়ুক পুং ১০.৪০ রোম তাবদা এয়র এসিয়া আই ৫-৭৮৩ ফ্লাইট অসিনা দেল্লী অমদি গুৱাহাতিদা পল্লন্বা মীওই ১৭৯ পুদুনা ইম্ফালদা থুংলখি। নুমীৎয়ুংবা মতুং পুং ১২.৩০ রোম তাবদা ইন্দিগো ৬ঈ-৩৮৫ ফ্লাইট অসিনা অগরতালাদা পল্লন্বা মীওই ৪৫ পুদুনা ইম্ফালদা থুংখি। নুমীৎয়ুংবা মতুং পুং ১২.৪০ রোম তাবদনা ইন্দিগো ৬ঈ-২০১৯ ফ্লাইট অসিনা দেল্লিদা পল্লন্বা মীওই ১৭৩ পুদুনা ইম্ফাল এয়রপোর্টতা থুংলখি।

ঙসি নুমীৎয়ুংবা পুং ১২.৪৫ রোম তাবদা ইন্দিগো ৬ঈ-৬২৪১ ফ্লাইট অসিনা গুৱাহাতিদা পল্লন্বা মীওই ১৩৯ পুদুনা ইম্ফালদা থুংলখি। নুংথিল পুং ১.২৭ রোম তাবদা ইন্দিগো ৬ঈ-৬২৪১ ফ্লাইট অসিনা গুৱাহাতিদা পল্লন্বা মীওই ১৬৭ পুদুনা ইম্ফাল এয়রপোর্টতা থুংখি। নুংথিল পুং ১.৫০ রোম তাবদনা এয়র ইন্দিয়া এ আই-৮৮৯ ফ্লাইট অসিনা দেল্লীদা পল্লন্বা মীওই ১৭৯ পুদুনা ইম্ফালদা থুংখি। নুংথিল পুং ২.২৫ রোম তাবদা ইন্দিগো ৬ঈ-৮৫৩ অসিনা কোলকাটাদা পল্লন্বা মীওই ১৩০ পুদুনা ইম্ফাল এয়রপোর্টতা থুংখি হায়রি।

নুপী লীলাদা অকনবা মীৎয়েং থমদুনা তেংবাঙবীগদবনি

সলাম মুক্তাবলি লৈমা

নোমিতা খোংবান্তাবম

ইম্ফাল, মার্চ ২০ (ঐচ এন এস): মণিপুর ষ্টেট শুমাং লীলা কাউন্সীলনা শীন্দুনা পেলেস কম্পাউন্দগী ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেন্দা পাঙথোক্লিবা লীলা ফেষ্টিভেলগী অহানবা তাঙ্কক্কী নুপী লীলা কাঙলুপকী অথোই-অহেন তান্নবনা ফেষ্টিভেল অসিবু হেন্না মশক থোকহনখিবা হায়রগদি চৎলিবা কুমজা অসিগী ফেষ্টিভেল অসিনা ওইরে।

তাঙ্কক অসি মণিপুর নুপী শুমাং লীলাগী পুৱারীদা অহানবা অমসু ওইরে হায়না লৌবা য়াই। নুপী কাঙলুপকী মতিক ময়াই পুথোল্লগা শান্নবা পুৱারীগী ৱারী লীখুনগী তাঙ্কক কয়াদা য়ুম্ফম ওইদুনা শান্নখিবা নুপী শুমাং লীলাশিং অসি তমজনিংঙাইসু ওইখ্রবনি। লীলাগী অকনবা খোঙজেল্লক্তা হিদান্নবগী মশকসু ফেষ্টিভেল অসিদা মমি তাখি।

নুপী লীলা কাঙলুপকী অথোই-অহেন তান্নখিবদা অহানবা মনা ফংখ্রবা কংজাবী মৈতৈ চনু আর্টিষ্ট কম দ্রামা এসোসিএসনগী লীলা- *লমননি*। লীলা অসিগী সেকেন্দ বেষ্ট দিরেক্টরগী মনা ফংখ্রবী সলাম মুক্তাবলি লৈমনা পাউচে অসিদা হায়, নুপী শুমাং লীলা হায়বসি পামজবদগী তৌবা ঙাক্তনি। মসিদা শেল ফংবগী ৱাফম য়াওদে। লীলা তৌবা হায়বসি শেল হুন্দোকপনি। হন্দক ফর্ষ্ট তারিবা লীলা লমন অসি পুৱারীদা য়ুম্ফম ওইদুনা শান্নবনি। লমন শীংবা ওইবদুনা লমন হায়না থোনবনি। লীলা অসি তন্বদা থা ১ চঙখিবনি। মসিদা শেলসু চঙখি। অদুগীসু মথক্তা নুপী লীলারোয়শিংনা শেল ফংবসু নত্তনা পামজবদগী কথোল্লিবনি হায়খি। আর্টিষ্ট হায়বসি অঙাং ওইরিঙৈদগী শাগোন্নরকপা অমসুং জগোয়দগী হৌরকপনি। মসিদগী ইশাগী চহী ২০ লোম শুরকপদগী মণিপুরগী মপানদা য়াম্না চৎলকই। ওজা জি সী তোংব্রাগী দ্রামাশিংদা য়াওরকই। মসিগী মতুং কুমজা ১৯৭৫ লোইরকপদগী নুপী লীলাদা য়াওরগা তমদুনা কুমজা ১৯৭৬তা মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমীনা শীন্দুনা জি এম হোলদা অথোই-অহেন তান্নবগী পাঙথোকখিবা ফেষ্টিভেলদা য়াওরকখি। মদুদগী হৌজিক ফাওবদা নুপী লীলা অসি মুৎপা য়াদে হায়দুনা অহল ওইরবসু তোকপা লৈত্রিবনি। মমাঙ চহীদদি ফর্ষ্ট তাখি, বেষ্ট দিরেক্টরগী মনাসু ফংখি হায়রি।

মহাক্লা মখা তানা হায়, হন্দক্তি অঙাং অনৌবা খরা য়াওরকপদগী মখোয়দনা হেন্না তাকই। অদুগা অঙাংশিং অদুনা হৈনদবা য়াওরকপদনা মখোয়গী কেরেক্টরশিং হোংদোক্তুনা মাগী মাগী চান্নবা শক্তম লাংহল্লি। হৌজিক্কী অঙাংশিং থৱায় য়াম্না য়াওই। পুৱারীদা য়ুম্ফম ওইদুনা লীলা শান্নবা হায়বসিদা থাঙ-তাগী অমদি খোন্থোক খোলৈ হায়বশিংসি য়াম্না মরুওই। অদুগীসু মথক্তা মায়কৈ মরিদগী য়েংলকপনা তুংদা য়েংলিবশিংদসু খঙননবা হোৎনরিবনি। পুৱারীগী লীলা শান্নবসি নুপী কাঙলুপ খক্তনি। মসিনা হৌজিক্কী মীরোলগী অঙাংশিংনা খঙদবদু খঙহল্লিবনি। লোল অমদি খোন্থোক য়াওনা চৎনরোলশিং তাক্লিবনি। মসি স্কুলদসু তমদ্রবা মমা-মপানসু তাকপীদ্রবা শরুক্কনি। অদুবু লীলাদদি তন্বীবা মরম্না মখোয়না খঙবা ঙম্মী। নুপী লীলা কৌবীদবা হায়বসি ঐখোয়না লীলা য়াওরিঙৈদদি কাংদা কৌরগা শান্নরম্মী। অদুবু হৌজিক্তি হোংলক্লিবা চাউখৎপগী মচৎসিদা নুপীদা য়েংবা মীৎয়েং অদুনা ঐখোয়নসু চৎনিংদে। মমা-মপানসু মচা লৈশাবীশিং অদু করম্না থাদোরক্কনি। অসুম্না চৎনিংদবা/কৌনিংদবা অনী পুন্দুনা লৈরি। মরম অদুনা মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমী অমসুং আর্ট এন্দ কলচর লোয়শঙনা নুপী লীলাগীদমক্তদি অকনবা মীৎয়েং থন্নীদুনা মতেং পাংবীগদবনি হায়রকখি।

থোকচোম ইঙেম্লৈ

অনীশুবা তাখ্রবা চনুরা যাত্রা কম দ্রামা এসোসিএসন (ঙানপ্পীথোং)গী লীলা নাওকল উরিবু পুথোকখিবী থোকচোম ইঙেম্লৈনা হায়, লীলা হায়বসি মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমীনা শীন্দুনা কাংজৈবুংদা খল্লগা ফেষ্টিভেল পাঙথোক্লিঙৈদগী য়াওদুনা অমসুং লীলা পুথোক্তুনা লাক্লবনি। লীলা শান্নবদা খন্থা অমুক শাবা, খম্মু অমুক শারকখি। হন্দক সেকেন্দ তারক্লিবা লীলা অসিসু থা অমা মখায় চঙনা তমখি। মসিদা চঙখিবা শেলশিং ইচা-ইমৌশিংনা পুথোক্তুনা মতেং পাংবীখি। মণিপুরগী মপান্দসু কয়ারক চৎলুদুনা মনা কয়া লৌরকখ্রে। অদুবু ঐনা ইচা-ইমৌশিংদা হায়রিবসি- ঐ সনা শীনিংদে, ফি ফজবা শেৎনিংদে, লীলাদি মুৎতনবা হোৎনখিগনি হায়বসিনি। অদুনা নুপী লীলা হায়বসি মুৎতনবা অমসুং এসোসিএসন অসি মুৎতনবা হোৎনরিবনি।

অদুবু শেল চঙলবসু হোৎনজমলগী নুংঙাইহবদি ফাওই। ইমা-ইমৌশিংনসু ইমা নুংঙাইহনগদবনি, মহাক্লা কয়াম কুইনা পুন্সিদোইনো, ইমাগী খোল্লাং লমন শীংবা ঙন্থা নত্তে হায়দুনা মতেং পাংবীরি। ইমাগী নুংঙাইনবনি হায়দুনা শেলগী মথৌ তারকপদা ইচা-ইমৌশিংনা পান্থোম তীংদুনা হোৎনবীবদগী হৌজিক চহী ৮০ শুরক্তুনা শোল্লবসু নুপী লীলাশিং পুথোক্তুনা লাক্লিবনি হায়খি। লোয়ননা মহাক্লা শিদ্রিবা ফাওবদি নুপী শুমাং লীলা পুথোকখিগনি হায়রকখি।

লমাবম প্রেমিলা

ৱিমেন দান্স এন্দ দ্রামাটিক য়ুনিয়ন, তাওথোংগী লীলা- নোংদমখোল পুথোকপদা নত্তনা মশাসু লীলারোয় ওইবদগী হেন্দোক্তুনা দিরেক্সন পীদুনা লাকখ্রবী হন্দক্কী ফেষ্টিভেলদসু লীলা অসিগী দিরেক্টর ওইখিবী লমাবম প্রেমিলা লীলা অসিদা খুল্লাকপা শাবদা অহুমশুবা বেষ্ট সপোর্টিং এক্টরগী মনা ফংখি। মণিপুর ষ্টেট শুমাং লীলা কাউন্সীলগী ফাইনান্স সেক্রেটরিগী থবকসু পুরিবী মহাক্লা হায়, হন্দক্কী নুপী শুমাং লীলা ফেষ্টিভেলগী অথোই-অহেন তান্নখিবা অদুগী মশক তোঙাল্লি। মরমদি হান্না নুপী লীলা য়েংনবা ভাবোক লৈরমদবসু হন্দক্তি ফম্না য়াম্না য়েংবীখি। চৌক্রি হাংবা হায়বদুমক্তি ওইখিদে।

মসিগী মথক্তা নুপী শুমাং লীলাদা য়ং-য়ং লাউনা মতিং লৈতনা শান্নবা লমজেল থাবা অমসু ওইখি। মসিদা মকোক মথং তাবা য়াওবা হায়বসিদি মশানা তারবা অথোই-অহেনগী ফন্থালনি। অদুবু লীলাদা ইচঙ থৌনা শান্নবগী মশক অদুদি হন্দক্কী ফেষ্টিভেলনা ওইখি। নুপী শুমাং লীলাগী মশক থোকপা ফেষ্টিভেল হায়বদুমা ওইখি। মসিদা নুপী লীলা নুংঙাই, ফজে হায়নবীখিবদা নুংঙাইবা পোকই। করিনো হায়রগা নুপী লীলা শান্নজরিবশিংনা শেলগী খক্তা নত্তে। পামজবদুনা মরম ওইরগা কথোকপা ঙাক্তনি। থম্মোয়না পামজবা হায়বসিদা লুপশিনবদগী মসিদা কথোকপা ঙমজরিবনি হায়খি। য়াম্না ঙন্না লীলা য়াওরকপনা বেষ্ট দিরেক্টর, বেষ্ট এক্টরগী মনা কয়া ফংখ্রে। অদুবু এক্টর ওইনসু য়াওই। হন্দক্কী ফেষ্টিভেলদা নোংদমখোল অসি সেকেন্দ বেষ্ট ক্রিপ্টকী মনা ফংখি। লীলা অসি ওজা চনা লুখোইনা হায়বীবদা শাগৎলগা পুথোকচখিবনি।

এপ্লিকেসন কৌরি

ইম্ফাল, মার্চ ২০ (ঐচএনএস): মণিপুর লৈঙাক্কী দিরেক্টোরেট ওফ আর্ট এন্দ কলচরদা ইমপেনেলমেন্ট/রেজিষ্ট্রেসন তৌনবা ষ্টেট অসিগী চীং অমদি তমদা চহী ৫ কলচরগা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিং পায়খৎতুনা লাক্লবা রেজিষ্টর্দ কলচরেল ওর্গনাইজেসনশিংদগী এপ্লিকেসন কৌরি।

আর্ট এন্দ কলচরগী দিরেক্টর এন জি উত্তমনা থোকখিবা নোটিফিকেসন অমনা হায়, মণিপুর কলচরেল এদভাইজরি বোর্দকী মেম্বরশিং খনবা, কলচরেল প্রোগ্রামদা শরুক য়ানবা অমসুং ফাইনান্সিএল এসিষ্টেন্স পীনবগীদমক রেজিষ্টর তৌরবা কলচরেল ওর্গনাইজেসনশিং ইমপেনেল তৌবগী থৌরাং লৌখৎলকপনি। মরী লৈনবশিংনা দিপার্টমেন্টকী ৱেবসাইটতগী এপ্লিকেসন ফোর্ম দাউনলোদ তৌরগা আর্ট এন্দ কলচর দিরেক্টরদা এপ্রিল ৩০ ফাওবগী মমাঙদা পীশিনগদবনি। ইমপেনেল তৌদবা কলচরেল গ্রুপশিং মণিপুর কলচরেল এদভাইজরি বোর্দতা মেম্বর ওইনা নোমিনেট তৌবগী খুদোংচাবা লৈরোই। কলচরেল প্রোগ্রামদা য়াওবগী খুদোংচাবসু লৈরোই হায়রি।

শরোই খাঙবা/লমতাইবা থৌরম

ইম্ফাল, মার্চ ২০ (ঐচএনএস): হয়িং খোংবান উফোং য়ুম্ফমগী লাইনিংথৌ সনামহী টেম্পল বোর্দনা শীন্দুনা কুমশিগীসু মায়কৈ মরি- খুরাই অহোংপুঙ, কোংবা শদৌপুঙ, ৱাংথোলপুঙ অমসুং ককৱা লমদাইপুঙদা লৈবাক্কী অৱা-অনা কোক্লবা অমসুং ঈংনা চিক্লা লৈনবা লাইশোন-তিনশোলগী থৌরম শরোই খাঙবা/লমতাইবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসি মণিপুর পন্দিত লোয়শঙ, পেলেস কম্পাউন্দনসু পাঙথোকখি।

কেম্প হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২০ (ঐচএনএস): ময়াই কাবা দ্রগ অমদি য়ুদা লাইচুরবশিংগীদমক খল্লগা নুমীৎ ১৫নিগী ওইবা দিটোক্সিফিকেসন কেম্প অমা রিইন্টিগ্রেসন দ্রগ এদিক্সন এন্দ অলকোহোলিজম রিহেবিলিটেসন সেন্টরনা হৌদোকখ্রে। পোরোম্পাৎ অয়াংপল্লি মুতুম লৈকায়দা পাঙথোক্লিবা দিটোক্সিফিকেসন কেম্প অসিদা মরী লৈবশিংনা শরুক য়াবগী খুদোংচাবা লৈগনি হায়না কম্যুনিটি অপলিফ্টমেন্ট সর্ভিসেসকী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২০ (ঐচএনএস): রিমসতা এম বি বি এস তম্লিবা মহৈরোয় সনাতোন অথোকপম চিংনিনিংঙাই ওইবা মওংদা শিদুনা লৈরম্বা অসিগী লংলা-লংজিন পুথোকপীয়ু হায়বগী মখা চথরকপা ওইনা খুরাই থাংজম লৈকায় মং লম্পাকতা জষ্টিস ফোর সনাতোন অথোকপমনা শীন্দুনা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে। ৱাকৎ মীফম অদুদা অথুবা মতমদা মীহাৎপা পুথোকপীদুনা মরালগী মতুংইন্না চৈরাক ফংহনবীয়ু, অথুবা মতমদা পোষ্ট মোর্টেম রিপোর্ট মীয়ামদা খঙহনবীয়ু, রিমস ওথোরিটিনা তুমীন্না লৈশিনবা য়ানিংদে, অচুম্বা লংলা-লংজিন মীয়ামদা ফোঙদোকপীয়ু, অথুবদা সনাতোন অথোকপমগী সিম কার্দ অনীগী কোল রেকোর্দশিং শীন্নবীয়ু, রিমস হোষ্টেল নম্বর ৩গী সী সী টি ভি ফুটেজ পুলিসতা শীন্নৌ। রিমসপু মীহাৎ-মীপুন লৈতবা অফবা মহৈ লোয়শঙ ওইহল্লু হায়বা খোল্লাও লাউখি।

পুলিসনা লুপা ২২,৩৫০ ফাইন ওইনা খোমগৎখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২০ (ঐচএনএস): ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎ অসি মায়োক্লনবা মণিপুর লৈঙাক্লা লৌখৎলিবা চেকশিন থৌরাংগী মায়োক্তা য়ুমদগী মপান থোরকপদা ফেস মাস্ক উপ্তবা অমদি মীয়াম তীনবা মফমদা সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাক্তবা মীওইশিং মণিপুর পুলিস দিপার্টমেন্টনা লেপ্তুনা দ্রাইভ চথরক্তুনা ঙসিসু তোঙান-তোঙানবা মফমদগী মীওই ১৭৩ রোম ফাগৎতুনা দিটেন তৌখ্রে হায়রি।

পুলিসনা চথরল্লিবা দ্রাইভ অসিদা কোভিদ-১৯গী চৎন-কাঙলোন থুগায়দুনা লাকপা মীওইশিং ঙসি পুন্না মীওই ১৭৩ ফাগৎলগা দিটেন তৌখি। মখোয়শিং অদু মখা তানা তৌদনবা মণিপুর পুলিসনা ৱার্নিং পীরগা থাদোকখি। মখোয়দগী ফাইন ওইনা লুপা ২২,৩৫০ রোম খোমগৎখি হায়রি।

ঙসি পুলিসনা দিটেন তৌখিবা পুন্না মীওই ১৭৩ অদুগী মনুংদা ইম্ফাল ৱেষ্ট পুলিসনা ২৫, থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা ১২৪, চুড়াচান্দপুর পুলিসনা ১৫ অমদি বিষ্ণুপুর পুলিসনা ১ য়াওনা ফাগৎপা ঙমখি হায়রি।

ইপসানা মহৈরোয়শিংদা সোলর টেবল লেম্প য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২০ (ঐচএনএস): ঙসিগী শুম চারবা, তিন চঙলবা খুন্নাই অসিদা ঙসিগীনা মহৈরোয় ওইরিবা, তুংগীনা খুন্নাই অসিগী য়ুম্বী ওইহৌগদৌরিবা মহৈরোয়শিংদা 'য়ুথস ফোর ফ্যুচর' হায়বা থীমদা ইন্টরনেসনল পিছ এন্দ সোসল এদভান্সমেন্ট (ইপসা)না সোলর টেবল লেম্প য়েন্থোকখ্রে।

পেরাদাইজ ইংলিস স্কুল, থৌবাল ওক্রমদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা এস পি থৌবাল ডা. এস ইবোমচা, এম পি এসনা অথোইবা মীথুং, জয়চন্দ্র কোন্থৌজম, প্রসিদেন্ট ইপসানা থৌরম মপু, ডা. এন রঞ্জিৎ, প্রিন্সিপাল পেরাদাইজ ইংলিস স্কুল, থৌবাল ওক্রম, জোতিন সলাম, প্রিন্সিপাল পিছ এন্দ ফ্রীদম একাদেমী, থৌবাল এন্দ অকোইজম বিশ্বজিৎ প্রসিদেন্ট ইপসা থৌবাল ব্রাঞ্চনা অখন্নবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি।

অথোইবা মীথুংগী ৱারোল পীরদুনা এস পি থৌবাল ডা. এস ইবোমচানা ফোঙদোকখিবদা, ঐখোয় ইশা-ইশা ফবা হায়বসি খুন্নাই অসি অফবা ওইগদৌরিবনি। হৌরক্লিবা মহৈরোয়শিংনা তুংগী মীরোলগীদমক অচৌবা থৌদাং য়াদুনা অফবা খুন্নাই অমা শেম্বা তঙাইফদবা লৈরে।

ইপসা হেদ ওফিসকী জেনরেল সেক্রেটরি অকোইজম সঞ্জয় মীতৈনা নুংগী ওইবা ৱারোল পীরদুনা হায়খি, চঙ থোকপা মরোমদোম মনিং তম্না হিংজবা ঙম্বা খুন্নাই অমা ওইহন্নবা নহাশিংবু সেল্ফ-সষ্টেন ওইবা ঙম্নবা ইম্পাৱর তৌবীগদবনি হায়খি।

থৌরম মপুগী ৱারোল পীরদুনা ইপসা হেদ ওফিসকী প্রসিদেন্ট জয়চন্দ্র কোন্থৌজমনা হায়খি, ঙসি ইপসানা পাঙথোক্লিবা য়ুথস ফোর ফ্যুচর অসিগী ৱাহন্থোক্তি মমিং লৈবা মপাঙ্গল কনবা ইরমদম অমা শেন্নসি। ঙসিগী নহাশিংনা হয়েংগী য়ুম্বী ওইগদৌরিবনি। মখোয়বু ৱাখল্লোন ফহনবগা লোয়ননা মশা-মউ ফম্না লৈনবা অফবা চীঙ্গাক চাবা, ফত্তবা ৱাখল্লোন থাদোক্তুনা মমা লৈবাকপু নুংশিবগী ৱাখল্লোন চেলহনবা, নোংমগী মনুংদা মতম খরদা ওইরবসু খুন্নাইগী তুংগী মীরোলগীদমক ৱাখল খনবা তমহনবা হায়বসি তঙাইফদবনি। মহৈ-মশিন মপুং ফানা হৈহনবা হায়বা পান্দম মখাদা স্কুলশিংদা চৎতুনা মহৈরোয়শিংদা মৈ লাক্তবা মতমদা শীজিন্নবা সোলর লেম্প অসি য়েন্থোকচবনি। মখা তানসু স্কুল মফম খুদিংদা লেম্প য়েন্থোকচগনি হায়খি।

ট্রাইবেল লোল ১৮গী মতাংদা ৱার্কশোপ পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২০ (ঐচএনএস): রোল ওফ ওরেল ট্রেদিসন/লিটরেচর ইন লেংগ্বেজ হায়বা থীমদা মণিপুরগী মেজর ট্রাইবেল লেংগ্বেজ ১৮গী মতাংদা নোংমগী ওইবা ৱার্কশোপ কম ওরিএন্টেসন প্রোগ্রাম অমা ঙসি দিরেক্টোরেট ওফ লেংগ্বেজ প্লান্নিং এন্দ ইমপ্লিমেন্টেসন (এল পি আই)না শীন্দুনা ইম্ফালগী মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখ্রে।

ৱার্কশোপ কম ওরিএন্টেসন প্রোগ্রাম অদুগা মরী লৈননা দিরেক্টোরেট ওফ লেংগ্বেজ প্লান্নিং এন্দ ইমপ্লিমেন্টেসনগী দিরেক্টর টি ঐচ চিত্রানা ফোঙদোকখিবদা, লেংগ্বেজ প্লান্নিং এন্দ ইমপ্লিমেন্টেসন অসি অপীকপা দিরেক্টোরেট অমা ওইরবসু অতোপ্পা দিরেক্টোরেটকা য়েংনরুবা মতমদা দিরেক্টোরেট অসিনা লৌরিবা থৌদাং অসি তোপ তোপ্পী। দিরেক্টোরেট অসিদা শীন্নরিবা থৌদাং অসি মণিপুরদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমক্না ঙাংনরিবা লোলশিং অসি য়োকখৎপা অমদি ফগৎহন্নবনি। মেজর ট্রাইবেল লেংগ্বেজ ১৮ অসিগী লেকচরর সোসাইটি অমমম লোইনা লৈ। সোসাইটিশিং অসি মপুং ফানা ইষ্টাব্লিসমেন্ট তৌবসু য়াওরি। মখোয়না লোল চাউখৎনবা থবক থৌরম কয়া পাঙথোক্তুনা লাক্লি। মখোয়না লোল চাউখৎনবা হোৎনবদা লিটরেরিগী থবকসু ফগৎনবা থবক কয়া অমা পায়খৎলি। বোসেম অমদি কোসেমনা পাঙথোকপা এগজামশিংদা এপ্রুভ তৌরবা এম আই এল সবজেক্ট ওইনা লৈরিবা লোলশিং অসি লেকচরর সোসাইটিনা প্রাইমারী লেভেল অমদি মসিগী মথক্কী লাইরিকশিং পুথোক্লবা অচৌবা থৌদাং অমসু লৌরি। ৱার্কশোপ অসি শীনবা ঙম্লিবসি নুংঙাইবা ফাওই। ৭১শুবা কনষ্টিট্যুসনল এমেন্দমেন্ট এক্ট ১৯৯২গী মখাদা মণিপুরী লোল অসি কনষ্টিট্যুসনগী ৮শুবা সেদ্যুলদা চনবগা লোয়ননা ষ্টেট অসিগী ওফিসল লেংগ্বেজ ওইরি।

ষ্টেট অসি মীপুম কয়া পুন্না লৈমিন্নবগী মতুংইন্না লোল কয়া ঙাঙনরি। ষ্টেটসিগী শকখঙলবা ট্রাইবেল লেংগ্বেজ ৩২গী মনুংদা লোল ১৮ খক ক্রাইটরিয়া খরদা য়ুম্ফম ওইরগা ১৮ মেজর ট্রাইবেল লেংগ্বেজ হায়না রেকগনাইজ পীদুনা লাক্লি। রেকগনিসন পীরবা ১৮ মেজর ট্রাইবেল লেংগ্বেজ অসি চাউখৎনবা দিরেক্টোরেটনা হোৎনদুনা লাক্লি। মখা তানা মীয়াম পুন্নসু হোৎনমিন্নসি হায়খি।

ৱার্কশোপ কম ওরিএন্টেসন প্রোগ্রাম অসি অয়ুক্কী সেসনদা মোদরেটর ওইনা প্রোফেসর সী ঐচ য়শৱন্ত অদুগা নুংথিলগী সেসনদা মোদরেটর ওইনা প্রোফেসর পি নবচন্দ্রনা ওইখি।

থৌরম অদুদা অনালগী বি এস খেলরিং অনাল, মারগী ইম্মাহুয়ল মাও এ খোলি, মরিংদা এস সোলমোন দাংসোন, রুয়াংমৈদা গাংমৈ, তাংখুলদা এফ খোয়াংপাও, থাদৌ-কুকিদা সৈখোলেন, ভাইফৈদা লিয়নখোহাংনা পেপর পাথোকখি।

চিলদ্রেন ঠিএটর ৱার্কশোপ লোইশিনখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২০ (ঐচএনএস): মিনিষ্ট্রি ওফ কলচর, গবর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী নোর্থ ইষ্ট জোন কলচরেল সেন্টর অমদি চিলদ্রেন কলচরেল সেন্টর, মণিপুর কৈশামথোং হোদাম লৈরক্কা খুৎশম্নরগা নুমীৎ ১৫নি চথরকপা চিলদ্রেন ঠিএটর ৱার্কশোপ ঙসি ইম্ফালগী য়াইস্কুল পুলিস লেনদা লৈবা এম দি য়ু হোলদা লোইশিনবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা নেসনল এৱার্দী, নোর্থ ইষ্ট জোন কলচরেল সেন্টরগী মেম্বর ডা. মখোনমনি মোংসাবা, চিলদ্রেন কলচরেল সেন্টর, মণিপুরগী ভাইস প্রসিদেন্ট পেবম বিরকুমার অমদি খেঞ্জোংলাং ঠিএটরগী দিরেক্টর ডা. সনাবম থানিল লৈমনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

চিলদ্রেন ঠিএটর ৱার্কশোপ লোইশিনবগী থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইখিবা ডা. মখোনমনি মোংসাবনা ফোঙদোকখিবদা, ঠিএটরদা শরুক য়ারিবা অঙাংশিংগী মমা-মপা ওইবশিংগী থৌদাং য়াম্না চাউই। ঠিএটরদা চঙলক্লিবা অঙাংশিং অসি মখোয়গী স্কিল, নোলেজ দিভেলপমেন্ট তৌনবনি। প্রোগ্রাম লোইশিল্লকপগী থৌরমদা কন্দক্ত তৌরিবা অসিসু মরুওইনা অঙাংশিংনা তৌহন্নিংবগী অপান্থা থমখি। মখোয়দা সিনোসিস হায়বসি করিনো খঙহনবগা লোয়ননা পাহনবসু মথৌ তাই। ঠিএটরদা চৎলগা মমা-মপাশিংনা জগোয় খক তম্লুচো হায়বা নত্তে। ওজা গোজেননসু তাকপীরম্বা য়াই। লীলা পাঙথোকপা অমদি উৎপখক ওইরগদি অঙাংশিংগী মোরেল অমদি দিভেলপমেন্ট ৱাৎকনি। মখোয়দা প্লে হায়বসি করিনো, প্রোগ্রাম হায়বসিনা করিনো, ঠিএটর হায়বসিনা করিনো, ষ্টেজ হায়বসিনা করিনো, লেফ্ট এন্দ রাইট দাউন হায়বসি করিনো তাক্লমগনি। জিওগ্রাফিসু তাক্লমগনি। ক্রিএটিভ রাইটিং অমদি প্রদ্যুসরনচিংবা হায়বসিসু তাক্লমগনি। মদুনা মখোয়গী লাইরিক্তা নত্তনা মখোয়গী পর্সনেলিটি অমদি ষ্টেজদা থোকপা ঙম্বগী মগুন অদু ফংগদৌরিবনি।

থৌরম অদু লোইশিল্লকপদা চিলদ্রেন কলচরেল সেন্টর মণিপুরগী অঙাংশিংনা শান্নবা *থৌনা ফবা খম্বা অমসুং থৌনা ফবী গাইজিল্লু* কৌবা দ্রামা অমসু উৎখি।

চান্দেলদা কম্মন কন্ট্রোল রুম শঙ্গাখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২০ (ঐচএনএস): চান্দেলগী দেপ্যুটি কম্মিস্নার ময়াংলম্বম রাজকুমারনা ঙসি দিষ্ট্রিক্ট অসিগী দি সী ওফিসতা আই টি/কম্মন কন্ট্রোল রুম শঙ্গাখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংখিবদা দেপ্যুটি কম্মিস্নারনা হায়খি, ষ্টেট লৈঙাক্লা ঈ-ওফিস সিষ্টম চৎনহনবা হৌখিবগা লোয়ননা তোঙান-তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদসু থৌরাং অসি লৌখৎনখ্রে। ষ্টেটকী মফম পুম্নমক্তা ঈ-ওফিস সিষ্টম চৎনহন্নবগী ৱাখল্লোন্দা চান্দেলগী ওইনসু কম্মন কন্ট্রোল রুম শঙ্গাখিবনি। থৌরাং অসি মায় পাক্লা লৌখৎনবা অখন্নবা ষ্টাফশিং খনগৎতুনা স্পেসল ট্রেনিং পীরে হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

তোঙান-তোঙানবা শেমগৎ-শাগৎপগী থৌরাং লৌখৎপা অমসুং লৈঙাক্কী স্কিমশিং চৎনহনবদা মনুং মপান ফাওনা উহন্নবগী ৱাখল্লোন্দা ঈ-ওফিস সিষ্টম হৌদোকখিবনি। তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টতসু নোংমা নীনিগী মনুংদা আই টি রুম হাংদোল্লগনি।

ৱর্ল্ড দিসএবিলিটি দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২০ (ঐচএনএস): আই জি এ আর-সাউথকী মীৎয়েংখাদা অসাম রাইফলসকী মন্ত্রিপুখ্রি বট্টালিয়ন্না শীন্দুনা কাংপোকপীদা লৈবা গ্বালতাবী মিদল স্কুলদা ৱর্ল্ড দিসএবিলিটি দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

মীচম মীয়াম্বু দিসএবিলিটিশিংগী রাইট মপুং ফানা খঙহন্নবগী ৱাখল্লোন্দা থৌরম অসি পাঙথোকখিবনি। থৌরম অদুদা লৈঙাক্লা হকচাংগী ফীভম তোঙাল্লবা অমসুং মীমান্নদ্রবশিংগী য়াইফনবগী মতাংদা পায়খৎলিবা থৌরাংশিং ময়েক শেংনা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা গ্বালতাবী মিদল স্কুলগী মহৈরোয় ৭৮, ওজাশিং অমসুং মফম অদুগী মীওই কয়ানা শরুক য়াখি। অসিগুম্বা মখলগী থৌরম পাঙথোক্তুনা মীয়ামবু ৱাখল তাহনবগীদমক অকোয়বদা খুন্দারিবা মীওইশিংনা অসাম রাইফলসপু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, অসাম রাইফলসনা শীন্দুনা চুড়াচান্দপুর, বিষ্ণুপুর অমসুং ফেরজোল দিষ্ট্রিক্টতা লৈরিবা ভিলেজ চীফ ৮৬কা লোয়ননা সিক্যুরিটি মীট পাঙথোকখ্রে। ষ্টেট অসিদা হৌজিক ওইরিবা সিক্যুরিটিগী ফীভম মীয়ামদা মমুৎ তানা খঙহন্নবগী ৱাখল্লোন্দা অসাম রাইফলসনা ভিলেজ চীফশিং অমসুং সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন কয়াগী লুচিংবশিংগা উনদুনা ৱারী শানখিবনি হায়না আই জি এ আর-সাউথনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

ওরিয়েন্টেসন প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২০ (ঐচএনএস): এৱেয়র্নেস জেনরেসন এন্দ পব্লিসিটি অমা ওইনা ঙসি ইন্দিয়া লৈঙাক্কী দিপার্টমেন্ট ওফ পর্সন্স ৱিথ দিসএবিলিটিজ, মিনিষ্ট্রিওফ সোসল জষ্টিস এন্দ ইম্পাৱারমেন্ট, গবর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা রিলিফ সেন্টর ফোর দি ৱেলফেয়র ওফ দিফরেন্টলি এবল্ড পর্সন্স, মণিপুরনা নোংমগী ওইবা ওরিয়েন্টেসন প্রোগ্রামগা লোয়ননা হেল্থ টোকসু বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী ঙাইখোং সিফাইদা পাঙথোকখ্রে।

রিসোর্ছ পর্সন ওইনা দিপার্টমেন্ট ওফ কম্যুনিটি মেদিসিন, রিমসকী হেল্থ এদ্যুকেটর এম মেঘচন্দ্র মীতৈনা ইয়রলি ইন্টর্ভেন্সন, প্রিভেন্সন অমদি হেল্থ ক্যেরগী মরমদা ৱা ঙাংখি।

অমরোমদা মালোম মখা লৈকায়দসু ওরিয়েন্টেসন প্রোগ্রামসু পাঙথোকখ্রে। রিসোর্ছ পর্সন ওইনা এম আর দল্লিয়ু সোসল ৱেলফেয়র দিপার্টমেন্টকী এল বোবোনা দিসএবিলিটিজ স্কিমশিং অমদি দিপার্টমেন্টনা পায়খৎলিবা স্কিম কয়াগী মরমদা ৱা ঙাংখি।

টিকা থাখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২০ (ঐচএনএস): মণিপুর অমসুং নাগালেন্দ সেক্তরগী মখাদা লৈবা সী আর পি এফকী পর্সনেলশিং ঙসি কম্পোজিট হোস্পিটালদা কোভিদ-১৯গী টিকা থাখ্রে। অয়ুক পুং ৯দগীনা নুমীদাংৱাইরম পুং ৫ ফাওদবা সী আর পি এফকী ফ্রন্টলাইন ৱর্কর ২১ অহানবা দোজগী টিকা থাখি। ফ্রন্টলাইন ৱর্কর ২না অনীশুবা দোজগী টিকা থাখি। কোভিদ-১৯গী লাইচৎ লাকশিন্নবগী ৱাখল্লোন্দা সী আর পি এফকী ফ্রন্টলাইন ৱর্করশিং টিকা থাবগী থৌরাং লৌখৎলকপনি হায়রি।

NIT NONGIN INSTITUTE OF TUTORIALS
HOPE FOR FUTURE
Under the Raja Dumbra Singh , Educational Complex
Purana Rajbari (Konung Mamang), Imphal East, Manipur
ADMISSION OPEN FOR REVISION COURSE
CLASS X & XII (SC.)(BOSEM,COHSEM) CLASS STARTING - 3rd FEB, 2021
CLASS X & XII SC. (CBSE) CLASS STARTING - 11th FEB, 2021
SPECIAL FOUNDATION COURSE FOR (IX & X) (BOSEM) STARTING ON - 4th MARCH, 2021
* Only 30 students per batch.
* Class test will be conducted.
* Carrer Counselling for future study.
* Study Material will be provided.
* Self study hour under the guidance of expert daily.
* Transport & Hostel facility will be abailable.
Office Hour : 2:00 p.m. - 8:00 p.m. & Class Timing : 3:30 p.m. - 7:30 p.m.
RDS High School Konung Mamang (Purana Rajbari)
Contact No. - 8014221074 / 7005787091
HL-B/6719/21/1-26/2

ADMISSION OPEN
PHOENIX ENGLISH COACHING
SPOKEN ENGLISH & ENGLISH GRAMMAR COURSES FOR ALL AGES
ALONG WITH X & XII ENGLISH CRASH COURSES
FOR MANIPUR BOARD & COUNCIL
PLEASE CONTACT 8974642764 FOR DETAILS
KHWAI BRAHMAPUR NAGAMAPAL LAIMAYUM LEIRAK,
IMPHAL
HL-B/6689/10/1-7/2(alt)